# অল-অকসা মোস্ক কম্পাউন্দদা ইজরেলি ফোর্সশিংনা চথখিবা এটেকতা মীওই ৯ শোকখ্রে



জেরুসালম, জুন ১৯ (এজেন্সী) :
ইজরেলনা ওকুপাইদ তৌবা ইষ্ট জেরুসালমদা লৈবা অল-অকসা মোস্কতা ঙরাং লাই খুরুম্বা লাকখিবা পেলিষ্টিনিয়ানশিংনা পুনশিল্লগা রেল্লি অমা চৎনবা হোৎনরকপদগী ইজরেল ফোর্সনা খঙহৌদনা মোস্ক অদুগী কম্পাউন্দদা চঙশিল্লক্তুনা রেল্লি চৎনবা হোৎনরিবশিং অদুদা চথখিবা এটেক অমদা পেলিষ্টিনিয়ন ৯ অশোক অপন নংখ্রে হায়না পেলিষ্টিনিয়ন রেদ ক্রিসেনননা ফোঙদোরক্লি।

রেদ ক্রিসেনননা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মোস্কতা চঙশিল্লক্তুনা চথখিবা কা হেনবা থৌওংশিং অদু কন্দেম তৌই। লাই খুরুম্বা লাকখিবা মীওইশিংনা পুনশিন্দুনা রেল্লি চৎনবা হোৎনখি হায়না ইজরেলি ফোর্সশিংনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অদু যুম্ফম য়াওদবনি।

লাই খুরুম্বা লাকখিবশিংনা কম্পাউন্দ মনুংদা পুনশিন্দুনা লাইনিং লাইশোনগী থবক চথখিবদি লৈ। অদুবু কম্পাউন্দ অদুগী ৱাংমদা থোরক্তুনা রেল্লি চৎখিবা অমদি পুনশিনখিবা লৈতে। ইজরেল ফোর্সশিংনা য়াম্না মীনুংশি লৈতবা মওংদা মোস্ক মনুংদা টিয়ার গ্যাস সেল, রব্বর কোটেদ ষ্টিল বুলেট অমদি ষ্টন বুলেটনচিংবা কয়া কাপশিল্লক্তুনা লাই খুরুম্বা লাকপা মীওইশিং তানকাইখিবগী থৌওং অদু মীয়াম্না কন্দেম তৌফম থোকই হায়রি।

অমরোমদা ইজরেলি পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা কম্পাউন্দ অদুদা লাই খুরুম্বা লাকখিবা মীওইশিং অদুনা পুনশিল্লগা মোস্ক অদুগী ৱাংমদা রেল্লি চৎনবা হোৎনরকখি। মীয়ামশিং অদুনা ইজরেলশিংদা নখোয়গী খুঙ্গং মৈনা তুম্না চাকপা ওইরো হায়না লাউশিনখি। প্রোফেট মহমদপু ঈকায়বা পীখি হায়বগী ৱাহৌদা য়াল্লবা পেলিষ্টিনিয়ানশিংগী খোঙজং চঙশিন্নবা হোৎনরকখিবনি। খোঙজং অদুবু শিন লাংবদা মরু ওইনা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা পেলিষ্টিনিয়ন ১০ কম্পাউন্দ অদুদগী সেক্যুরিটি ফোর্সনা ফাগৎপা ঙমখ্রে।

রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্নদি ইষ্ট জেরুসালমদা থোকখিবা থৌদোক অদুবু পাউ লৌনবা হোৎনখিবা ইজরেলি জর্নেলিষ্ট অমা সেক্যুরিটি ফোর্সনা মখোঙদা রব্বর বুলেটনা অতন্নবা কাপখি হায়রি। গাজা ষ্টিপতা ইজরেলনা এয়রষ্ট্রাইক চথখিবগী ইকান কান্নদনা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

# এন্তি কু প্রোটেষ্টরশিংনা ম্যান্মারগী মফম কয়াদা অশাৎপা লৈশিং পায়দুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে



য়াঙোন, জুন ১৯ (এজেন্সী) :
ম্যান্মার মিলিটরিনা মফমদগী লৌথোকখ্রবা লৈবাক অদুগী লুচিংবী ওং সান সু চিগী ৭৬ শুবা মপোক কুমওন থৌরম লাকপগা লোয়ননা এন্তি কু প্রোটেষ্টরশিংনা লুচিংবী অসিবু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা অশাৎপা লৈশিং পায়দুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

লৈ চিনবা য়াম্না পামজবী লুচিংবী অসিগী মপোক নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি লৈবাক অদুগী মীওই কয়ানা লৈ নাচোম শেমদুনা চিন্নখিবগা লোয়ননা পাক শান্না রেল্লি চৎখি। ঙসি মীয়াম্না চৎখিবা রেল্লি অদুদা মিস য়ুনিভর্স ব্যুটি ক্যুইনগী মিংথোন ফংখ্রবী থুজার ৱিন্ট ৱিনসু শরুক য়াখি। মকোক্তা অঙাংবা লৈ অমা থেৎলদুনা ঐখোয়গী লুচিংবী সু চিবু ঈশ্বরনা হকচাং ফনা থম্বা ওইসনু হায়বা ৱাফমশিং মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়াঙোনগী অৱাং থংবা শরুক্তসু সু চিগী মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা মীয়াম্না লম্বীদা থোরক্তুনা মহাক্কী অয়েকপা শক্তমদা লৈ কৎখি। অমদি য়াইফ পাউজেল কয়া পীন্নরকখি। নহা ওইরিবা প্রোটেষ্টরশিংনা হেপি বার্থদে ইমা সু, ঐখোয়না মতম লৈবা পুন্নক্তা ইমাগীদমক্তা লেপলি হায়না লাউখি।

ম্যান্মারগী ঙমখৈ শরুক্তা লৈরিবা কারেন ষ্টেটতসু খূৎলাই পায়বা রেবেলশিংনা মখল কয়াগী লৈশিং শমদা থেক্তুনা পোজ তৌরগা কাপ্পা ফোটো কয়া সোসল মীদিয়াদা থাগৎনরকখিবগা লোয়ননা মীয়ামগী লৈঙাক অমুক হন্না লাকহন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়বা ৱাফমশিংসু ফোঙদোক্নরক্লি।

দাৱৈগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা প্রোটেষ্টরশিংনা হেপি বার্থদে সু চি হায়না থাবা লৈ মচুগী অচৌবা কেক অমা লম্বীদা পুথোরক্তুনা থমখি। অমদি নাকলদা সু চিবু য়াইফ পাউজেল পীরিবা খুদিংমক্না মচু কয়াগী লৈশিং কোক্তা থেৎপা মীয়াম্না উন্নখি। মশাগী চহী ৩৫ রোম শুরবী এন্তি কু প্রোটেষ্টর অমনা ফোঙদোরকখিবদা কুমজা ২০১৭ তা লৈবাক অদুগী রাখিন ষ্টেটতা ম্যান্মার মিলিটরিনা রোহিংয়া মুস্লিমশিংগী মথক্তা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথখিবা অদুবু কনখত্তুনা ঙাঙলুবগীদমক নোবেল পিছ প্রাইজ ফংখ্রবী লুচিংবী অসি মীয়াম্না পেন্দবা কয়া ফোঙদোক্লখি।

অদুমওইনমক হৌজিক হৌজিক মিলিটরিনা মহাকপু ফাজিন্দুনা থল্লিবা অসিদি মীওইবগী হকপু খোঙ্গোয়নবনি। মসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না কৈদৌনুংদা য়াবা ঙম্লোই। মহাক্না অমুক হন্না লৈঙাক পায়রবা মতুং রোহিংয়া মুস্লিমশিংবু অচুম্বা ৱায়েল পুথোরক্কনি হায়বগী চাওনা থাজবা লৈ হায়রি।

## নেপালদা থোকখিবা ঈচাওনা মীওই ১৬ শিহনখ্রে

কাথমান্দু, জুন ১৯ (এজেন্সী) :
হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তগী হৌরগা নেপালদা চুখিবা নোংলৈ নুংশিৎ য়াওবা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা থোকহনখিবা ঈশিং ঈচাও অমদি চীং নিংখাইবগী থৌদোকশিংদা মীওই ১৬ শিহনখিবগা লোয়ননা ২২ না থিবা ফংদনা লৈরি হায়না ওফিসলশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী ৱাঙাওলোয় অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ঈশিং ঈচাওগী থৌদোক অদুনা লৈবাক অদুগী থৌদোক কয়াদা চাওনা অমাং অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা মীওই ১৬ শিহনখিবনি। শিখ্রবশিং অদুগী মনুংদা ফোরেন নেস্নেল অহুম য়াওরি। ঈচাও অদুনা লৈবাক অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কয়াম য়াম্না অমাং অতা থোকহনখ্রবগে হায়বা চপ চানা হায়বা ঙমদ্রি।

রেস্কু ৱার্করশিংনা ঈচাও অমদি চীং নিংখাইবগী থৌদোকশিংনা শোকহল্লবা মফমশিংদা চঙশিন্দুনা থি হুম্বগী থবক চথুরি। অমদি অৱা অনা তারবশিংদা তেংবাংগী পোৎলম পীরি। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তগী হৌরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ১৬ ঈশিং ঈচাওগী থৌদোক্না শিহনখ্রে হায়বা খঙবগা লোয়ননা হৌজিকমক্কী ওইনা মীওই ২২ থিবা ফংদ্রি। অমদি চীং নিংখাইবগী থৌদোক্তা মীওই ১১ শু অশোক অপন নংখি।

শোক্লবশিং অদু গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চথুরি। পনবা য়াবদি নোংজু পন্থা মতমদা চহী খুদিংগী নেপালদা ঈশিং ঈচাও অমদি চীং নিংখাইবগী থৌওংশিংনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহল্লি। মখা তানা লৈবাক অদুদা অশিবগী মশীং হেনগৎলকপা য়ানা লৈরি।

## য়ু এসনা মিদল ইষ্টতগী এন্টি মিসাইল বেত্রিশিং লৌথোকপগী থবক হৌখ্রে: রিপোর্ট

ৱাশিংটন, জুন ১৯ (এজেন্সী) :
মিদল ইষ্ট কন্ত্রিশিংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা থল্লমখিবা পেত্রিয়োট এন্তি মিসাইল বেত্রিশিং মিদল ইষ্টকী লৈবাক মরিদগী লৌথোকপা হৌখ্রে হায়না তোঙান তোঙানবা রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্নরক্লি।



সাওদি অরাবিয়া, ইরান, ক্বেট অমসুং জোরদানদগী পেন্টাগোননা পেত্রিয়োট এন্তি মিসাইল বেত্রি ৮ লৌথোকপগী থবক চথুরি। জো বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না মিদল ইষ্ট কন্ত্রিশিংদা লৈরম্বা মখোয়গী ত্রুপশিং তপ্পা তপ্পা লৌথোকপা হৌরকখিবগা লোয়ননা বেত্রি লৌথোকপগী থবক চথবা হৌরকখিবনি।

ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন মতমদা সাওদি অরাবিয়াদা ইন্সটোল তৌরম্বা টর্মিনেল হায় অলটিচ্যুইদ এরিয়া দিফেন্স সিষ্টেমসু লৌথোক্লবা শেম শাবা হৌখ্রে হায়না ৱাল ষ্ট্রিট জর্নেলগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি। য়ু এসনা ইরান, অফঘানিষ্টান অমসুং ইরাকতা দিপ্লোয় তৌদুনা থল্লকখিবা মখোয়গী ত্রুপশিংসু তপ্পা তপ্পা লৌথোকপা হৌরক্লি।

ইরানদা মতম কুইনা য়ু এস আর্মীনা টালিবান ফাইটরশিংগী মায়োক্তা কাউন্টর ইনসরজেন্সি ওপরেসন কয়া মায় পাক্না চঙশিনখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা ঈং তপ্পা পুরক্নবা হোৎনদুনা মখোয়গী ত্রুপশিং লৌথোকপা হৌরকখিবনি। অফঘান অমসুং ইরাকতগীসু য়ু এস ত্রুপশিং লৌথোকপগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়রি।

অমরোমদা য়ু এস দিফেন্স ওফিসলগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক খরদগী য়ু এস ত্রুপশিং লৌথোকপা হৌখ্রবসু গল্ফ রিজনশিংদা হৌজিক হৌজিকসু য়ু এস ত্রুপশিংগী বেজশিং মপুং ফানা ওপরেট তৌদুনা লৈরি। মখোয়শিং অদু মপুং ফানা থিংজিন্নবগী ৱাফম হৌজিক ফাওবগী ওইনা খন্নবা লৈত্রি। ইরানদগী ত্রুপশিং লৌথোকখিবা অদুসু লৈবাক অদুগী য়েংলগনি। মখা তানা টালিবান ফাইটরশিংনা অহেনবা থবক চথরক্লবদি লৈবাক অদুদা অমুক হন্না ত্রুপশিং দিপ্লোয় তৌনবা থৌরাং তৌদুনা লৈ হায়রি।

## বেল পীনবা হায়জরকখিবা ৱাফম য়াখিদ্রে

হোং কোং, জুন ১৯ (এজেন্সী) :
হোং কোং পুলিস ওথোরিটিনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা হোং কোংগী প্রো দিমোক্রেসি ন্যুজ পেপর এপল দেলিগী এডিটর ইন চীফ রাইন লো (৪৭) অমসুং চীফ একজিক্যুটিভ ওফিসর চিয়ুং কিম-হুং (৫৯) না বেল পীনবা হায়জরকখিবা ৱাফম অদু য়াখিদ্রে হায়রি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা এপল দেলি পাউচেগী ওফিসতা পুলিস পার্সনেল ৫০০ রোম্না রেদ চথখিবগা লোয়ননা পাউ চে অসিগী একজিক্যুটিভ অনী অসি য়াওনা পুন্না ষ্টাফ ৫ ফাজিনখিবনি। মীদিয়া পার্সনশিংবু হোং কোং ওথোরিটিনা ফাজিনখিবগী থৌওং অদুবু ইন্তরনেস্নেল কম্যুনিটি কয়ানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

পুলিসনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্নদি পাউ চে অদুদা য়াওখিবা আর্টিকলশিংদা নেস্নেল সেক্যুরিটি লোবু ভাইওলেট তৌবগী মমি শেংনা তারি। ফাজিন্দুনা থল্লিবা লো অমসুং চিয়ুংনা অতোপ্পা লৈবাকশিংগা খূৎশম্ন দুনা নেস্নেল সেক্যুরিটিদা অচৌবা থ্রেট অমা পীরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা মখোয় অনী নেস্নেল সেক্যুরিটি লোগী মখাদা ফাজিনখিবনি।

মখোয় অনী ঙসি কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং মখোয়গী লোয়রনা বেল পীনবা ৱাফম হৌদোকখি। অদুবু কোর্ট অদুগী জর্জ ভিক্তর সোনা জর্নেলিষ্ট অনী অদু বেল পীবগী ৱাফমদা অয়াবা পীখিদবনি। মখোয় অনী মথং থাগী ১৩ দা কোর্টতা অমুক হন্না পুথোক্কনি হায়রি। জজ সোনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না নেস্নেল সেক্যুরিটিদা মখোয় অনী অমুক হন্না থ্রেট পীরক্লোই হায়বগী মতিক চাবা খুদম পীবা ঙমদবনা মরম ওইরগা মখোয় অনীগী বেল অদু রিজেক্ট তৌখিবনি। মখোয়না থারকখিবা বেল এপ্লিকেসন অদুদা একজিক্যুটিভ অনী অসি এপল দেলিদগী পোত্থারগনি অমদি ফোরেন পোলিটিসিয়ন অমসুং মীদিয়াশিংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্লোই হায়না পল্লি।

## সাইবেরিয়াদা প্লেন কায়বদগী মীওই ৪ শিরে

মোস্কো, জুন ১৯ (এজেন্সী) :
রুসিয়াগী কেমোরোভো রিজনদা অপিকপা প্লেন অমা কায়খিবগী থৌদোক্তা মীওই মরি শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মরি অমনা ফীভম লুনা শোকহনখ্রে হায়না লোকেল ইমরজেন্সি মেদিকেল সার্ভিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

সাইবেরিয়াগী খা নোংচুপথংবা শরুক্তা ইঞ্জিন অনী পানবা এল-৪১০ প্লেন অদু কায়খিবনি। প্লেন কায়বগী থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৭ তি শিরল্লগনি হায়না টি এ এস এস ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোরক্লি।

লোকেল প্রোজিক্যুটরশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্নদি প্লেন অদু কায়দ্রিঙৈগী মাংওইননা মখাদা থবক তৌদুনা লৈহৌবা ষ্টাফশিংদা প্লেন অদুগী ইঞ্জিনদা প্রোব্লেম লৈবা মাল্লি হায়না খঙহল্লকপা লৈখি। অদুমওইনমক মখাদা লৈরিবা ষ্টাফশিংনা থবক অমত্তা পায়খৎপা নংদ্রিঙৈদা প্লেন অদু খঙহৌদনা কায়খিবনি। প্লেন অদু মতৌ করম্না কায়খিবনো হায়বগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি। হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা টিম অমা শেমদুনা থিজিনবগী থবক চথবা হৌহনখ্রে।

প্লেন কায়বগী থৌদোক অদুদা শিখিবা মীওইশিংগী মতাংদসু চপ চানা খঙবা ঙমদবগা লোয়ননা কয়া শিখ্রবগে হায়বগী মতাংদু অকক্নবা রিপোর্ট অমত্তা লৈত্রি হায়রি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মেদিকেল সার্ভিসকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবদা শোক্লবশিং অদু নোংথক্কী লম্বীদা পুরকপা হৌখ্রে। অশোকপশিংগী ফীভমগীমরক্তা কা হেন্না ফীভম লুবা য়াওরি। হৌজিকমক্কী ওইনদি মখোয়শিং অদুগী মতাংদা চপ চাবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা ঙমখিরোই হায়রি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 178,588,697 | +401,422 | 3,866,795 | +8,565 | 163,105,342 | 11,616,560 |
| 1 | USA | 34,393,269 | +13,389 | 616,920 | +393 | 28,675,929 | 5,100,420 |
| 2 | India | 29,822,764 | +60,800 | 385,167 | +1,269 | 28,670,879 | 766,718 |
| 3 | Brazil | 17,802,176 | +98,135 | 498,621 | +2,449 | 16,136,968 | 1,166,587 |
| 4 | France | 5,752,872 | +3,181 | 110,702 | +56 | 5,546,926 | 95,244 |
| 5 | Turkey | 5,359,728 | +5,575 | 49,071 | +59 | 5,224,224 | 86,433 |
| 6 | Russia | 5,281,309 | +17,262 | 128,445 | +453 | 4,850,659 | 302,205 |
| 7 | UK | 4,610,893 | +10,476 | 127,956 | +11 | 4,297,757 | 185,180 |
| 8 | Italy | 4,250,902 | +1,147 | 127,225 | +35 | 4,031,605 | 92,072 |
| 9 | Argentina | 4,242,763 | +20,363 | 88,247 | +458 | 3,844,329 | 310,187 |
| 10 | Colombia | 3,888,614 | +28,790 | 98,746 | +590 | 3,616,680 | 173,188 |
| 11 | Spain | 3,757,442 | +4,214 | 80,652 | +18 | 3,544,205 | 132,585 |
| 12 | Germany | 3,728,583 | +1,244 | 90,912 | +92 | 3,598,100 | 39,571 |
| 13 | Iran | 3,080,526 | +10,100 | 82,746 | +127 | 2,722,612 | 275,168 |
| 14 | Poland | 2,878,466 | +190 | 74,782 | +48 | 2,649,879 | 153,805 |
| 15 | Mexico | 2,467,643 | +4,253 | 230,792 | +168 | 1,964,300 | 272,551 |
| 16 | Ukraine | 2,228,192 | +967 | 51,952 | +50 | 2,147,972 | 28,268 |
| 17 | Peru | 2,023,179 | +3,463 | 189,933 | +176 | N/A | N/A |
| 18 | Indonesia | 1,963,266 | +12,990 | 54,043 | +290 | 1,779,127 | 130,096 |
| 19 | South Africa | 1,796,589 | +10,510 | 58,441 | +118 | 1,632,182 | 105,966 |
| 20 | Netherlands | 1,677,596 | +888 | 17,723 | +2 | 1,593,147 | 66,726 |
| 21 | Czechia | 1,665,814 | +161 | 30,277 | +4 | 1,631,641 | 3,896 |
| 22 | Chile | 1,505,001 | +6,770 | 31,259 | +119 | 1,431,515 | 42,227 |
| 23 | Canada | 1,407,269 | +1,016 | 26,023 | +11 | 1,368,449 | 12,797 |
| 24 | Philippines | 1,346,261 | +6,818 | 23,385 | +110 | 1,260,836 | 62,040 |
| 25 | Iraq | 1,279,697 | +5,068 | 16,834 | +23 | 1,192,285 | 70,578 |
| 26 | Sweden | 1,084,636 | | 14,537 | | 1,040,578 | 29,521 |
| 27 | Romania | 1,080,140 | +70 | 32,302 | +6 | 1,044,919 | 2,919 |
| 28 | Belgium | 1,078,251 | +493 | 25,117 | +7 | 1,007,785 | 45,349 |
| 29 | Pakistan | 946,227 | +1,043 | 21,913 | +39 | 888,505 | 35,809 |
| 30 | Portugal | 862,926 | +1,298 | 17,061 | +4 | 818,440 | 27,425 |
| 31 | Bangladesh | 844,970 | +3,883 | 13,399 | +54 | 778,421 | 53,150 |
| 32 | Israel | 839,769 | +22 | 6,428 | | 833,061 | 280 |
| 33 | Hungary | 807,428 | +106 | 29,950 | +2 | 734,627 | 42,851 |
| 34 | Japan | 780,868 | +1,527 | 14,320 | +51 | 742,848 | 23,700 |
| 35 | Jordan | 745,667 | +301 | 9,647 | +12 | 729,368 | 6,652 |
| 36 | Serbia | 715,604 | +162 | 6,990 | +5 | 705,239 | 3,375 |
| 37 | Switzerland | 701,627 | +173 | 10,869 | | 674,103 | 16,655 |
| 38 | Malaysia | 685,204 | +6,440 | 4,276 | +74 | 615,326 | 65,602 |
| 39 | Austria | 649,309 | +128 | 10,677 | +3 | 635,544 | 3,088 |
| 40 | Nepal | 617,947 | +1,963 | 8,641 | +44 | 549,682 | 59,624 |
| 41 | UAE | 608,070 | +1,942 | 1,747 | +6 | 587,160 | 19,163 |
| 42 | Lebanon | 543,267 | +168 | 7,815 | +4 | 529,228 | 6,224 |
| 43 | Morocco | 525,924 | +481 | 9,233 | +8 | 512,937 | 3,754 |
| 44 | Saudi Arabia | 471,959 | +1,236 | 7,650 | +15 | 453,259 | 11,050 |
| 45 | Ecuador | 444,395 | +2,054 | 21,234 | +59 | 407,512 | 15,649 |
| 46 | Bulgaria | 420,964 | +105 | 17,987 | +7 | 392,772 | 10,205 |
| 47 | Greece | 417,706 | +453 | 12,508 | +20 | 396,880 | 8,318 |
| 48 | Bolivia | 417,195 | +2,682 | 15,924 | +98 | 332,662 | 68,609 |
| 49 | Belarus | 409,385 | +764 | 3,025 | +10 | 402,202 | 4,158 |
| 50 | Kazakhstan | 406,383 | +1,174 | 4,211 | +8 | 382,461 | 19,711 |

## য়ু কেদা কোভিদকী অহুমশুবা ৱেভ শোয়দনা লাক্কনি: এক্সপার্ট

লন্দন, জুন ১৯ (এজেন্সী) :
য়ু কেদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটাগী কেস মশীং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী অহুমশুবা ৱেভ শুংশোই শোয়দনা লাক্লগনি হায়না ভেক্সিন এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোক্নরক্লি। জোইন্ট কমিটি ওন ভেক্সিনেসন এন্দ ইম্যুনাইজেসন্না পাউতাক পীরিবা প্রোফেসর অদাম ফিননা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না দেলটা ভেরিয়েন্ট অসি য়াম্না থুনা শন্দোকপা ঙম্বা অমদি মপাঙ্গল কনবনা মরম ওইরগা লৈঙাক্না য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই।

ইন্দিয়াদা ইহান হন্না আইদেন্টিফাই তৌখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিনা লৈবাক অদুদা অচৌবা চৈথেং পীখ্রবা মতুং মালেমগী লৈবাকশিংদসু তপ্পা তপ্পা চৈথেং পীবা হৌরক্লি। মরম অদুনা লৈঙাক্না মতম লৈরিঙৈদা অহেনবা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খত্তুনা লায়না লাইচৎ অসিনা অকনবা চৈথেং পীরক্তনবা মাংজেননা হোৎনগদবনি। লৈঙাক্না অকনবা মওংদা হোৎনরবসু দেলটা ভেরিয়েন্ট য়ু কেদা শন্দোকপা হৌরকখিবনা মরম ওইরগা কোভিদ-১৯ গী অহুমশুবা ৱেভ অমা লৈবাকসিদা লাকপদি শোয়দ্রবা ৱাফমনি হায়রি।

## নোর্থনা সেক্যুরিটিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী মীফম পাঙথোকখ্রে

সিওল, জুন ১৯ (এজেন্সী) :
নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং অননা চ্যের লৌদুনা ঙসি রুল্লিং ৱার্কর পার্টিগী ওইবা মীফম অমা ফমখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী সেক্যুরিটিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী মতাংদা মরু ওইবা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে হায়না ষ্টেট মীদিয়া কে সী এন এগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না লৈবাক অদুদা লৈরিবা লুচিংবশিংগী মরক্তা হান্নগা মান্নদবা অহোংবা খরা লাকপা উবদগী কিমনা অখন্ননা মীফম অদু কৌখিবনি। লৈবাক অদুদা কোভিদ পেন্দমিক অমদি চানবা মরু মরাংশিং লৈশিল্লক্তবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবা অদুনা মরম ওইরগা লুচিংবা খরগী মরক্তা নিংহন্নবা হৌরক্লি। লৈবাক অদুদা মমাং চহীদা থোকখিবা ট্রোপিকেল সাইক্লোন অমনা মহৈ মরোং থাবা লৌফমশিং চাওনা অমাং অতা থোকহনখিবনা মরম ওইরগা চানবা মরু মরাংশিং লৈশিল্লক্তবগী মতাংদসু ঙসিগী মীফম অদুদা য়াম্না কুপ্না খন্নখি। ঙসিগী মীফম অদুগা মরী লৈননা পার্টিগী সেন্ট্রেল কমিটিনা পোলিটব্যুরোগী অনৌবা মেম্বরশিং এপোইন্ট তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং মায়োক য়ানবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে হায়রি।

## হাবল স্পেস টেলিস্কোপ মথৌ তৌখিদ্রে

ৱাশিংটন, জুন ১৯ (এজেন্সী) :
নোংথক্তা চহী ৩০ রোম হেন্না লৈদুনা মথৌ তৌরকখ্রবা হবল স্পেস টেলিস্কোপ হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মথৌ তৌবা লেপখ্রে হায়না নেস্নেল এরোনোটিক্স এন্দ স্পেস এদমিনিষ্ট্রেসন (নাসা) না ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তগী স্পেস টেলিস্কোপ অসি কম্প্যুটর প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা মথৌ তৌরকখিদবনি। টেলিস্কোপ অদুগী পার্ট অয়াম্বা হৌজিকসু মপাঙ্গল য়াম্না কল্লি অদুবু কম্প্যুটরগী ওইবা প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা মথৌ তৌখিদবনি। অমুক হন্না টেলিস্কোপ অদু নিংথৌকাবা নুমিত্তা রিষ্টার্ট তৌনবা হোৎনখি। অদুবু মায় পাকপা ঙমখিদে। ১৯৮০ গী মতমদা থাগৎখিবা সেটিলাইট অদুদা শীজিন্নখিবা কম্প্যুটর অদু হৌখিবা ২০০৯ দা চথখিবা মেন্টেন্সেকী থবক থৌরম অমগা মরী লৈননা অনৌবা কম্প্যুটর শিনখিবনি। চহী অসিগী মনুংদা লেটেষ্ট টেক্নোলোজিগী কম্প্যুটর অমা টেলিসকোপ অদুদা ইন্সটোল তৌনবা পান্দম থল্লি হায়রি।

## য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিনা ম্যান্মার মিলিটরিনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা ওং সান সু চি অমদি অতোপ্পা লুচিংবশিং থাদোক্নবা তকশিনখ্রে

ন্যু য়োর্ক, জুন ১৯ (এজেন্সী) :
হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা ফমখিবা য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেমব্লি মীফম অমনা য়ু এন মেম্বর ষ্টেটশিংদা ম্যান্মারদা খূৎশু খুৎলাইশিং পীদনবা অমদি মমাং চহীগী নবেম্বর ইলেক্সন রিজল্ট অদুবু মিলিটরিনা ঈকায়খুম্নবা উৎকদবনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক ফাজিন্দুনা থল্লিবা মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চি য়াওনা অতোপ্পা পোলিটিকেল লিদরশিংসু থাদোক্নবা মিলিটরি জুন্টাদা খঙহনখ্রে।



জেনরেল এসেমব্লি অদুদা লৈবাক ১১৯ না ম্যান্মার মিলিটরিগী কা হেনবা থৌদোক অদু মখা তানা চথহন্দবা অমদি মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অমা লাকহনবা হায়বা ৱাফমসিদা ভোট থাদখি। চাইনা অমদি রুসিয়া য়াওনা লৈবাক ৩৬ না হীরম অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈখিদে। অদুগা লৈবাক ৩৭ না ঙসিগী ভোট অদু থাদখি।

মীফম অদু লোইরবা মতুং য়ু এনগী সেক্রেটরি জেনরেল এন্তোনিয়ো গুটরসনা ফোঙদোকখিবদা মিলিটরি কুগী থৌওং অসিবু চৎনবী অমা ওইনা তৌরক্লিবা অসি ঐখোয়না তুমিন্না য়েংদুনা লৈবগী মতম নত্তে। মসি মীয়াম্না য়াবা ঙম্লোইদবা থৌওং অমনি মরম অদুনা মতম লৈরিঙৈদা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি থিংহৌবা মথৌ তাই।

ম্যান্মারদা থা মরিরোম মিলিটরিগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং মীয়ামগা উংখৎনবগী থৌদোকশিংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৮৬০ হেন্না শিখ্রে। অদুগা ৫,০০০ হেনবনা ফাজিন্দুনা থল্লি। হায়রিবা থৌওংশিং অসি মীওইবগী চৎনবী নত্তে। মরম অদুনা য়ু এন মেম্বরশিংনা মতম চানা ম্যান্মারদা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎপগী মতম ওইরে।

ম্যান্মারদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন অদু মিলিটরিগী মায়কৈদগীদি অরানবা কয়া য়াওখি হায়না ফোঙদোরক্লবসু মদুগী খুদম মীয়াম খঙনা পীবা ঙমদ্রি। ইন্তরনেস্নেল ওবজার্ভরশিংনদি নবেম্বর ইলেক্সন অদু অরানবা থৌওংশিং য়াওদনা পাঙথোকখিবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

এসোসিয়েসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স কী মনুং চন্না লৈরিবা লৈবাকশিং মরু ওইনা ইন্দোনেসিয়া, মালেসিয়া, সিঙ্গাপুর অমদি ভিয়েনটামনসু য়ু এনগী ফিরেপ অদুবু মপুং ফানা শৌগৎখি। য়ু এনদা ম্যান্মারগী এম্বেসেদর ওইনা লৈরিবা য়ো মো তুননসু মীয়ামগী লৈঙাক লাকহনবা হায়বা ৱাফমদুদা ভোট থাদখি। অদুমওইনমক ব্রুনৈ, কম্বোদিয়া, লাউস অমসুং থাইলেন্দগী মায়কৈদগীদি হীরম অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে।